

"নাপীদগী লাই ফাওবা...নুংশিনবা নত্তনা
কমদৌনা তিন্নগনি।"

- হিজম অঙাংহল
(শীঙেল ইন্দু)

# শৈরেং

## মীহাৎপা অমদি আইন

—রেবতি শর্ম্মা

মী হাৎপদুনা ফনা লোৎলবসু
মহাক্কী মরাল অদুনা
মথম্মোয়দু পোত্থাফম খঙদা
ৱাখলদু ইরাং লাংনা চিংননা
তূম্ফম চাফম খঙদনা
ককঙাওননা লেনগনি পুন্সিদু।
হৌদোং উচিগী খোঞ্জেলদা
পাখৎনা ফুক হৌগৎকনি
খংগনি মশাদু নিক্লা
ওইরিগদ্রা মাবু থিরকপা
খঞ্জাননা কিগনি।
মফম কয়া হোংলবসু
খুঙ্গং কয়াদা হোংলবসু
মীপাইবদি লেপ্লোই মশাগী
মশানা মশাবু লোৎলবসু।
অনৌবা মী অমা লাকপদা
সী আই দি ওইগদ্রা চিংননা
চেনবা ফাওবা য়াওরক্কনি
অশোংবা মোংশোং অমা তম্না
অৱাবা অকিবা চিংনবনা
মপুন্সি অদু হিংঙমদনা হিংগনি।
আইন লৈবনা লৈবাক্কী
নোংমা নৎত্রগা নোংমদি
শোয়দনা ফাগনি মহাকপু
মশানা মরাল য়াজগনি
শোয়দনা জেলদা চঙগনি
শোয়দনা জেলদা চঙগনি।

## খোল্লাউ

—অচৌ পুয়াম খুমনচা

তাইবঙ মরক্তা তিঞ্জগে
তাইবঙ শিন্থা পাঙথোকই
তাইবঙগী অৱা-নুংঙাই
য়াওজগে লাকপনি মালেমসিদা।
করিগীনো ঐবু তাইবঙসিদা
তিলহনবা পামদ্রিবা নখোয়না
নোংমা শিরগদবা মীওইপোক
করিগী অসুক হাথুনা
খূৎশেমগী লাংদা থুহনবীরিবা।
নোইনা হাৎপীদ্রবসু শিরগদবা
তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা
তিনখ্রদবা পিদোল্লবা থৱায়বু
মীনুংশি লৈতনা ওৎপীরগা
খূৎশেমগী থৌরিনা কোঙ্গোই
থাংদুনা ঐবু হাৎপীরিবা।
পিদোল্লবা থৱায় ঐগীসু
লাউবীরম্মু ঙসিগী মীরোলনা
ৱি ৱান্ট জষ্টিস
লায়রবা তোল্লবা ঐগীসু
তাইবঙ মপুনা ৱায়েল
কাটি ওইদুনা পীবিয়ু
নুংশি হৈতবা মীহাৎপশা!

## উপাল অমা মাঙখ্রে

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

নহালতনি ঐনা
মখোঙ শেংলবা
ফুট অনী মখাই
অহুম'মুক ৱাংলবা উপাললনি।
মমল য়াম্না লৈ হায়নবা
চা চন্দল, অগর উপালসু নত্তে।
পোৎ চৈ মাঙখিবগী পাউ কয়া তাখ্রে,
সনা, লুপা মমল নাইদ্রবা চে চাং
কয়া কয়া মাঙখিবগী।
উপাল অমা হুখিবা হায়গদ্রা
মাঙখিবা হায়গদ্রা,
হন্দক ঐঙোন্দা থোক্লরে।
উপাল অদুগী মমল
ওন্থোক্লা য়ামখ্রে,
নুমিৎ খুদিং য়েংলুরি
লৈত্রে হুখ্রে।
কনানা ওইরিগবা
মহাক অদো
ঐগী শাপ ফংগনি।

## অতনবা

—ৱারেপ্পম তোমচা

তাইবঙদা মীওইনা পোল্লবদি
অতনবা ৱাখল থাদোকউ
তুংগী পুন্সিগী খলহৌসি
মীরোল কয়াগী ফনবা।
অতনবনা কুপখ্রবা মীওইদি
ফত্তবা লাইগী হৌরকফমনি
ফত্তবা ৱাখলগী লমজিংনি
লায়না কয়াগী তুংনফমনি।
অতনবা নখোয় লৈরবদি
মালেম লূম্নবনি
মথৌ খঙবা কয়াগী
লম্বী খুরৌ থাংনবনি।
অহাওবা চানীংবসু অতনবনি
শূবা কনবা কয়াগী
পুক্কে লনগৈ কায়নবনি
লম্বী খুরৌ থাংনবনি।
অতনবা কাঙলূপ কয়ানা
চাওখৎপা লম্বী থিংনবনি
অশিংবা কয়া কয়াগী
য়েক্লবা পাঞ্জক ওইরকই।
থাদোকউ অতনবা থাদোকউ
নথৌদা পূক্লিং চঙদুনা
তাইবঙগী অৱাবা কয়াবু
কোক্লবা লম্বী থাংদোকসি।

## নোংদি তারকখিদ্রে

—বি মঙাং

মালেমসে শাবনা মৈহৌরে
লম্বী সরক পূম্নমক
শাবৈ মনিল কারে
মৈশা খাঙমদনা নহাক্কী
পুন্সি পিখম্নখিবা কয়ামা
জীবশিংসি তুম্না হাৎলগে খল্লব্রা?
চীংলোন মাপনগী চীংশাং
মরূ কোক্লবা চীংজাও পরেং
ঙাক্লি সমুদ্রগী অকনবা নুংশিৎ
শিৎচিল্লকই চাইথরক্লি মনীংতম্না
নূংকুপ য়াওবা উফুল নুংশিৎ
হুমদুনা পুরি পুনিংবা মায়কৈদা
মরূ ফুক্তুনা উপাল কয়া।
পাল্লবা শারবা সমুদ্রা ইমায়দৈ
লমশাং শাংনা পাইরকপা লৈচিল
ঙাইহাক লমদনগে খন্দুনা
কনাসু লৈবা উদে।
মরূ কোক্লবা চীংশাং নত্তনা
কদায় চৎখ্রে ঙম্না!
হান্নগী অশেঙবা উমংদুদৈ
লৈচিল জগোয় শাবি ময়াম
থোরক্লগা হরাও মথোয় কামিন্নে
মালেমসে মবুক মরা তপহল্লি
অচৌ অচৌবা উপালশিংদুনা
মদোমদা অমুক লৈখ্রে!
মরূ কোক্লবা চীংলোন মাপল
লৈহৌরো চীংশাং পরেং
থিরুরগে অশোঙবা চীংশাং।

## হাৎপা

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

হিয়াঙ্গৈদা চুবা নোং
মীওইবা হাৎকে তৌবনি।
মীনা মীবু হাৎপা
পাপ লংশিল্লে কাউগনু।
অহিংবা কয়া কয়া চিঞ্জাক্লি
অহিংবা হাৎপা পাপনি।

## খন্থমিন্নসি

—সনবম বিকেন্দ্র

খল্লু ৱাখলদা নীংলিবদো
শীংনৌ ঈপোম ঈথক অদুসু
ফুদোকসি থৌনা ঐখোয়গী
লোৎলনু পাঙদবা অমগুম্না ।।
শোল্লনু কনবীয়ু হায়না
পীরক্লোই কৈদৌনুংদা
চৎলুদ্রবদি মনাক্তা নহাক্লা ।।

## ইনাক্তগী লাপখ্রবী

—বুঙোচা খুমনচা

লেপ্লরো মিৎমাঙদা
য়েংলগে ইমিৎসে পেন্না
নুংশিবী নঙগী চেংলৌদো
নুমিৎ শিংবুম য়াম্লক্লে
থাবুম কয়া হৌখরে
কুমজা কয়া লানখরে
কুমওন কয়া চৎখরে
লাক্কনি লাক্কনি ঙাইরম্বা
নঙদি লাক্তরে ইনাক্তা।
থম্মোয়গী অপাম্বা
ফোঙলরো ইফমদা
পূক্লিংগী অনীংবা
তম্লরো নাপ্পা চিক্লা
ৱাখলনা খঞ্জবা
নুংশি ৱারী
লীররো ইনাক্তা ফমদুনা
তারগে ঙসিদি পেন্না
তানীংদুনতা লৈনীংবা
নঙগী নুংশি খোঞ্জেলদো।
থম্মোয়না অপেনবা ফাওদ্রবা
উরগা নুজাগী
খজাই নাম্মখক্তংগী নিংথিজবা
উহল্লো ঙসিদি ইফমদা
উরগা কল্লকচবী মায়থোঙদো
তরামরিনি পানবা
লমতাগী থাজনা।
মীৎফম হোংদনা য়েংজরগে
থাবলনা ফিঙৌ ফৌরবা
ঈংনা চিক্লবা অহিংসিদা
য়েংজগে ইমিৎসে পেন্দ্রিফাও
নুংশি নঙগী মায়থোংসে।

## অওনবা তাইবঙ

—রাজেন্দ্র সারুংবা

পুন্সিদা নুংঙাইবা হায়বদো লৈতে
নুংঙাইথোকপা হৈবগী ৱানি।
পুন্সিদা নীংবা থুংবা পেনবা লৈতে
পেন্থোকপা তম্বগী ৱানি।
ঙাইহাক্কী ৱানি তুং কোয়বা নত্তে
কনানা খঙবা ঙম্মীবা।
ফৎতবদা খম থেংঙম্বদুসু
খঙফ ফারকপা কনানা খঙবা ঙম্বা।
লাইরিক হৈ মকোক ফৈ হায়রম্বদুসু
ময়াই কাবদা লাইচুদুনা মপুন্সি মাঙবা।
কনানা খঙবা ঙল্লিবা কনানা হায়বা ঙল্লিবা
পূম্নমক ঙাইহাক্কী ৱানি অওনবা তাইবঙনি।
ইনাক খুনবা মউ লীংদে
লায়রবসু মপাল শাৎতে।
খুবাক খুনমনি ওন্থোক ওনশিননি
অমুক লুপ অমুক তাও।
অমুক কা অমুক কুম
লেপ্পাইদবা তাইবঙনি
পুন্সিগী শিন্থানি পুন্সিগী লীলানি
করিগী ৱাজরুনি ঙাইহাক্কী ৱাতনি।

# নোংমাইজিং

**(Sunday)**

- মারিও বার্গাস লোসা

*(হান্নগী মখা)*

কঞ্চোনা বিয়ার পুরক্লে। মখোয় হৈদুনা থক্লরে। অদুদগী ফি থোংদবগী ৱারী লীখৎলক্লে মেলানেসনা, লোইনা অদুম তায়, মদুসু মানা পোৎহাপ য়াওনা, নুংঙাইনবা শেম-শানা লীরিবনি। অদুম তারম্বদগী ফ্রান্সিস্কোগা টোবিআজগা ফুটবোলগী মরমদা য়েৎখৎনরক্লে। স্কোলার হায়বদুনা ৱারী লম্ফে অমুক লী-খৎলক্লে, মানা বসতা লাকপগী ৱারী। মানা হায়, মহাক লিমাদগী মিরাফ্লোরেজ ফাওবা বসনা লাকপনি। আরেক্বিপা এভেন্যু য়ৌরকপদা সাহেব মচা মচিনবান চাউবা অমা কাখৎলক্লে। ফূট ৬ ৱাংবা পূমঙৌ ঙৌবা, মশমসু ঙৌবা, গ্রেদ স্কুলদা তম্লমদৌবা মানবা, রেভাইন্দা লৈবদো, নখোয়সু খঙঙবা নৎত্রো। মদুনা কমদৌবা হায়বু, গাড়ীনচিংবা ইঞ্জিন পানবা পোত্তা য়াম্না খঙজনীংবা শারদুনা তুংলোমদগী নোমদুনা দ্রাইভর অদুদা পংহংদা হংঙি। অদুগা তুংদনা সীট মনীংদু ছুরি অমনা সুম থিন্দৎ শান্নবগী ৱানি।

- "মানা অদুম তৌরিদো ঐ য়াওবদুদা তৌরিনি। মানা কদাইফাও ঙম্বগে হায়বদু উৎচনীংদুনা তৌরিবনি।

- "নত্তেদা, মদু ৱাখল মীমান্নদবা ওইরম্মি।" ফ্রান্সিস্কোনা ৱা পাংশিল্লকই।" নখোয় ঐখোয়দি অঙাং ওইরিঙৈ চহী ১০ মুক ওইরিঙৈ অদুৱাইদা তৌরম্বদুদি য়াই, মাগী চহী মতাংদুদা অদুম তৌরিদুদি ফাগী নৎত্রে।

- "অদো তাখোনে, মমৈদা করি থোকখি খঙব্রা? নোকপদা লোইখ্রে।" স্কোলারনা নোক্না লীথরকই, "য়েংঙুনে দ্রাইভর! নঙবু খঙদ্রব্রা, মচিনবান চাউবা নুপাসিনা নঙগী গাড়ীসি মাঙহনদৌরেনে।"

- "হা কৈদৌরিবা?" দ্রাইভরদুসু লাউরকই, ব্রেক খংফা ফারগা। মদুদা মনা ঙাঙবা, সাহেব মচাদুনা পাখৎখ্রদুনা মানা থোক্কদবগী গাড়ীগী থোঙদুদা লীৎথোক্কদৌগী তৌবদুদি নোক্লিংখ্রজাৎনি।"

- "ছুরিদুদি অদুম পায়ব্রা?" স্কোলারনা মরক থৎলকই, "মানা থোক্লবা হোৎনরমদৌবা ফিভমদু মিৎতা উরে।"

- "অদুবু নোয়খ্রবা নহাদু উচিন নাচিন নান্থোকখি। অদুদগী মানা চেনখিবদুদি এরিক্কুইপা এভেন্যু লান্না। দ্রাইভর অদুসু তোক্তে, তান্নখি, লাউরদুনা, "অদু অমুক্তা ফাবীয়ু, অদু অমুক্তা ফাবীয়ু।"

- "অদো ফাবা ফংখিব্রা?" মেলানেসনা হংজিল্লকই।

- "ঐ খঙলক্ত্রে। ঐসু অদুম নান্থোক্লক্লে। অদুগা ঐনা মাগী গাড়ী শো অদু হূরাল্লক্লে, নীংশিং খুদম ওইনবা। ঐঙোন্দা হৌজিক য়াওরি।" অদুম হায়রগা মানা লুপা মচুগী শো অমা মাগী ফুরিৎখাউদগী লৌথোক্লকই। অদুগা টেবল মথক্তা থম্মী। বিয়ার লীক্লিদি য়াওদ্রে, হাঙলে। তাঞ্জা অদুদা রুবেন্দু ঘড়ী য়েংলগা ফূক হৌগৎলকই :

- "ঐ চৎপা তারে।" মানা ময়ামদা হায়, "ঐ অমুক লাক্কে।"

- "চৎপা য়ারোই।" মিগুএলনা ওক্তুনা খুম্মী, "ঐ ঙসিদি ইনাক খুল্লি। ঐ ঐখোয় লোইনা চাক চামিন্নবা কোন্ননবা পুরক্লি।" মদু তাবদা শার্পিশিংদু মঙোন্দা ফূবনে, নানবনে লোইরে। মাবু ৱাখল ইতা তাদনা থাগৎনরক্লে। চিরোন খারোন তৌবসু য়াওরে।

- "ঐদি য়াওররোই।" রুবেন্না হায়, "ঐদি চৎতবা য়াদ্রে।"

- "চৎলো চৎলো, হল্লক্লনু। মরূপ নুংশিবী!" টোবিআজনা ওকখি, "অদুগা মার্থদো ঐনা হংলকই তম্বীয়ু।"

- "ও! নঙবুদা শোন্নরনিদো ঐখোয়দি, ইবাই ইবুংঙো!" মেলানেস হায়বদুনা নোৎশিল্লকই। মানা রুবেন্দা ইবাই ইবুংঙো কৌরিদু মচলনুপী মার্থদুগী য়েংলগনি।

- "য়ারোই।" মিগুএলনা অমুক হায়রকই, "ঐনা হায়দি ঐখোয় লোইনমক পূন্নিংবগীনি, অমা ৱাৎলদি ঐ তোকএ। রুবেন চৎখ্রদি তোকএ।"

- "তারেদনা শার্পি, রুবেন!" ফ্রান্সিস্কোনা শমজিল্লকই, "নঙ চৎপা য়াদ্রে, লৈতবা য়াররোই।"

- "উম! নঙ লৈবদা তারে।" মেলানেসনসু পাংশিল্লকই, "নঙ পাম্বে লৈত্রে।"

- "ঐদি চৎতবা য়াদে।" রুবেন্দু অদুম হায়রি।

- "নঙ চৎকে হায়রিসি নঙ নিশা পানবননি।" মিগুএন্না করেম্নরকই, "নঙ চৎনীংলিদু ঐখোয় মাঙদা নঙনা ঙাওরগা কারন তুরন তৌবদু কিদুনা চৎকে হায়রি নৎত্রো? অদু নত্তনা করি লৈনি।"

- "অদুম্নদি হায়নু। কয়ারক ঐনা নঙ ঙাওবনা অশিবা মাল্লফাও নবুংঙো ঐনা নয়ূমফাও থিনবীবা নৎত্রা?" রুবেন্না ওল্লকই, "কয়ারক নৎত্রা ঐনা নখোয় চেকপল কাবা পাংবীদুনা ফমুংদা থম্বীরম্বদো, নখোয় পাবুং খঙহন্দনা। থকপগী ৱাদি নঙোন্দগী শরুক তরা হেন্না থকপীগে হায়রিসিনি।"

- "নঙদি ঙম্নি ঙাক্তনি।" মিগুএলনা মখা তারকই, "ঙসিনা হেন্না কনখ্রে নঙ। নগুন অমুক্তংদি য়েংনীংখ্রেদা।"

- "য়াইনে, "রুবেনসু খুম্বা তোক্তে, "হোরেল নুমিদাং হেক্তা য়েংনসি, মফমসিদা হেক্তা।

- "হোরেল নত্তে, হৌজিক হেক্তা য়েংনসি।" মিগুএন্দু অতৈ মরূপশিংদা ওনশিল্লি অদুগা হায়, "শার্পি পূম্নমক ! ঐ চেলেঞ্জ তৌরে মাবু, য়েংনগে।"

অসুম্না মিগুএন্দু থায়নগী ফোর্মুলা পানবদা মায় পাক্লে। হরাওবনে, থাগৎপনে, পূল্লাং লাঙলে, মানা শৌগায়রুবদু মায় পাক্লে। রুবেন্দু চৎপা য়াদ্রে, তাইফেৎ তাইনা অমুক ফমথরক্লে।

- "হায় কঞ্চো!" টোবিআজনা লাউখি, "মেনু পুরকউ, চানবা পোৎলম খনগে, অদুগা বিয়ার লীক্লি অনীগা। শার্পি অনী চেলেঞ্জ তৌনবদা তারেহে।"

মখোয়না অঙৌবনে, অয়াইবনে খরা লৌরে, বিয়ার লীক্লি ১২ অমগা লৌরে। টোবিআজনা লম্বা অনীদুদা লীক্লি অহুম অহুম পীরে। লেমহৌবা অতৈদুনা ভাবক ওইরিবা মখোয়গী ওইরে। মখোয় চাবা হৌরে, ৱা ঙাঙনদে। মিগুএলদি চখোম খুদিং য়াউম অমমম থকচিল্লি। অদুবু মমৈদদি বিয়ার অদু এসিদ থকপগা মান্নরকখি। উচিন নাচিন্না মখোয় অনীনা লীক্লি তরুক অদুদি লোইশিনখ্রে। কঞ্চোদুনা মখোয়না চাবগী প্লেটতু খোমজিনবা লাকপদা মিগুএলনা হায় রুবেন্দা :

- "মখা লৌখিদ্রা?"

- "অহুম অহুম অমগা"

অনৌবা অমুক থকপা হৌরকপদদি মিগুএলদু মনাকোংদু ঙংবা হৌরকখি, মকোক অদুসু উরু উরু লৈরক্লম্মী, পোৎ খুদিংমক কোয়রৈ লৈবা হৌরকখি।

- "ঐ মপান অমুক্তা থোক্লুখিগে।" মানা হায়, "ঐ ঈরুজফম অমুক্তা চঙলুখিগেকো।"

কুম্মৈ য়েংলিবা শার্পিশিংদু ৱা লাউনা নোকখি।

- "নঙ চেল্লব্রা?" রুবেন্না হংখি।

- "মপান থোক্লুগে হায়বনি।" মিগুএলদু লাউরকখি, "নঙনা পাল্লদি মখাসু পুহল্লকখো।"

ঈরুজফম চঙলগা মহাক ওথোক্লুরে। অদুগা য়াম্না হৈনা মমায় মমিৎ তাথোক্লগা লাক্লে, ৱারী লীনি-খদৌবা খুদম অমতা উদনবা হোৎনরদুনা। মানা ঘড়ী য়েংঙি, নুংথিলগী পুং মরি মখায় তাখ্রে। মানা শোমদা ওবখৈ ফনা ৱাজরবসু অমরোমদা মহাক নুংঙাইবা ফাওই। রুবেনসু করিসু তৌবা ঙল্লরোই, ফ্লোরা উনরুবদি লায়রদুনা। অদুনা মহাক ময়াম মনাক্তুদা থোক্লক্লে।

- "নশা কমদৌরি?" রুবেন্না হংলকই মিগুএলদা গ্লাস থাঙ্গৎ থাঙ্গৎনা।

মহাকসি শাউনীংলে, মিগুএলনা খল্লি। অদুবু মহাকসি হেন্না শাউহনবা তাই।

- "মী অশিবা মনম ফাওরেহে।" মেলানেসনা লাউরকই, "অকোয়বসিদা কনানো অমা শিরমাল্লেদা?"

- "ঐদি চঙলকপদা ঙায়রিকো" মিগুএলনা খুল্লকই, মাগী কোক ঙাওবা, উরু উরু লৈবদু লাকশিল্লদুনা।

- "নঙবু নশাদু কমদৌরিগে?" রুবেন্না অমুকসু হংলকই।

মখোয় অনীমক লীক্লি অরোইবদু থক্লকপা মতমদদি মাগী চাকখাউদু মিশি মতুমগুম লূমখ্রে, মাগী মরূপশিংদুনা ঙাঙবদু মাগী নাকোংনা মরোল শেংনা তারক্ত্রে। তাঞ্জাদুদা খূৎ অমনা মাগী মিৎ মখাদা লান্নকপা উখি ঙৌই, খূৎশাদু শাংই। খূৎ অদুনা মাগী খদাং মখাদা পায়রকখি, মহাক মমায় হাইগৎতবা য়াদ্রে। রুবেনগী মখূৎ ওইরম্মী। মানা য়েংবদা রুবেনগী মমায়দু শাংদোক্লকপগুম উখি। য়েংবদা নোক্লিংঙি, ফিভম কায়রল্লে, শাউবসু মাল্লে।

- "নঙবু মায়থীবা য়াজরব্রা, হা নপচোবা!"

মদু তাবদা মিগুএলদু ফুক হৌগৎলি শাউবনা অদুগা রুবেন্দু ইন্থগে তৌই, অদুবু অনীদু খৎনরক্ত্রিঙৈদা স্কোলারদুনা খামদোকহৌরে :

- "মরূপ মশেল, শার্পি মশেল খৎনবা হৌনব্রা?" মানা চৈরে, অনীমক ফমথহল্লে, অদুগা অতৈদুদা হায় :

- "অনীসি লোইনা ঙাওনরে, লীলা লোইরে। ঐখোয়না ভোট থাদনবা তারে, কনানা ঙম্বা হায়রনি?"

মেলানেস, ফ্রান্সিস্কো অদুগা টোবিআজ অহুমদি ফৈদু তুহনবদা ভোট পীনীংলে, অনীমক ঙম্নহন্নীংদ্রে হায়রকই।

- "য়ারোই, ঐনা ঙসাইনা ঙমখ্রেনা। "রুবেন্না লাউরকই, "নুপা অসিদি ৱা ঙাঙবা ফাওবা ঙমজদ্রবসিদি। য়েংঙুনে অমুক্তা।"

অচুম্বনি, মিগুএলগী মমিৎ অনীদু লেঙদ্রে, অহাপ্পা মাল্লে, ময়া কারি, অদুগা মতিন অর অর চেন্থরক্লি মখয়াৎতগী।

- "তুমিল লৈয়ু" স্কোলারনা লাউরকই, "নঙনা চেম্পিয়ন ওইবা য়ারোই, ঐখোয়না হায়রিসিনি, বিয়ার থকপদদি নঙনা ঙম্বা খক য়ারোই।

- "চুম্মী। নঙনা য়ুগী চেম্পিয়ন ওইবদি য়ারোই" মেলানেসসু পাংশিল্লকই, "নঙনা ঈরোইবদা চেম্পিয়ন ওই হায়বদি য়ানীংঙি, নঙদি পুখ্রিদদি, ঈশিংদদি তশেংনা অকিবনি।'

- "নখোয় ৱা অমত্তা ঙাঙদবনা ফরে" রুবেন্না খুল্লকই, "নখোয়গী নশাদু কল্লক-মীহৌবনা থূল্লবা ঙাক্তনি।"

- "মিরাফ্লোরেসকী ইষ্টর ৱিলিয়মদু কুইনা পুন্সিবা ওইরসনু।" মেলানেসনা ওক্তুনা খুল্লকখি।

- "অঙকপগী অহলদুরা? কমদৌনা ঈরোইগদগে হায়বা ফাওবা খঙজদবদো।" রুবেন্না মখা তারকই, "নখোয়বু ঐনা ঈরোয়বা তম্বীবা পাম্বরো?"

- "ঐখোয়দি হান্না খঙজরেদা, ইবুংঙো অফাওবা!" হন্দক ঙাঙলক্লিবসিনা স্কোলার হায়বদুনি, "নঙনা কমদৌনা ঈরোইবা চাংদম্নবা অমা থোইখিগে হায়বদু। অদুনা লৈশাবী পূম্বা নঙগীদমক শিনগদৌরে। নঙবুদি খিত্তং কুইরবা চেম্পিয়ন্নিদা।"

- "করি মাবু? মহাক চেম্পিয়ন অমতা নত্তে।" মিগুএলনা ঙাঙবদু ৱানা লাউরকই, "মাদি মালহনবা, তৌশিন্নবা খক্তনিদা।"

- "নঙ শিদৌরব্রা?" রুবেনসু ওকখি, "নয়ূমদা থিনবিরো হায়ব্রো, নুপী মানবা?"

- "ঐ য়ু ঙাওদেকো।" মিগুএলসু খুল্লকই, "হায়রিসিনি নঙদি মালহনবদি য়াম্না হৈ।"

- "নঙবুদি লোইরবনিদা, মরমদি ফ্লোরাগীদমক ঐদি শিবা ঙমগনি।" খুল্লকই, "নঙদি কল্লকপদা শিদৌরবনি। নঙনা খল্লি, ঐ হায়রিবশিংসি ঙল্লোই হায়না।"

- "মালহনবনি হায়রে অমুকসু" মিগুএলসু খুল্লকই, "নহাক্না ঈরোইবদা থোইখিবদু নপানা ফেদেরেসন অদুগী প্রসিদেন্ট ওইবগী য়েংদুনা ওইহনখিবনি। মী খুদিংনা খূৎ চঙখ্রে খঙনরবনি, নপাদুনা অথোইবা রবিৎ বিলারন্দু দিসক্কালিফাইদ তৌবীরে, অদুনা নঙবু থোইহল্লে। নৎত্রা?"

- "অদুদি হায়নু, নঙোন্দগীদি ঐনা হেন্না ঈরোইবা হৈনি।" রুবেন্না মখা তারকই, "নঙদি ঈথক্তা কমদৌনা লমজেল তান্নদৌগে হায়বফাও খঙজদ্রিবদো?"

- "এ! নঙনা কনাবুসু ঈরোইবদা হেনবা ঙল্লোইদা।" মিগুএলদু খুম্বা লেপত্রি, "ঐদি লায়রি মী অমনা হেক্তা নঙবু থোইগনি।"

- "মী অমনা হেক্তা হায়বা?" মেলানেসনা মরক থৎলকই, "মিগুএল নঙনসু থোইনি হায়বা, হনুবী ইমাগুম্বা নঙবু? "ৱাতাসিদি নোকখিগেদা!"

- "নোকউ, নোকউ!" টোবিআজনসু ৱাপাংলকই, "ঐখোয়গী হায়বু অদুদনি।"

- "নখোয়না হেন্নি হায়রিদু নিংথমথা ওইবসিননি।" রুবেন্দু মখা তারক্লি, "নৎলমদ্রবদিকো, নখোয় লোইনা সমুদ্র মপান্দা পুরমগনি, ঈশিংদা নখোয় কয়াম হৈগে হায়দু য়েংনবা ?"

- "নঙনা চেম্পিয়ন ওইজখিবদু নপাবুংগী মপান্ননি হায়রিবসিনি", মিগুএলসু অদুম হায়রি, "নঙদি মালহনবদনি হায়রিসিনি। নঙনা পাল্লদি ঐগা হেক্তা ইরোইনসি, কৈদৌঙৈনো হায়রকউ হেক্তা। আ সমুদ্র মপান্দা উনসি, টেরাসেস বীচতা, নৎত্রগা নঙনা পাম্বা মফমদা।"

- "এ অদুদি সমুদ্রদা চৎসি" রুবেনসু খুল্লকই, "হৌজিক হেক্তা।"

- "অদুসু মালহল্লিব্রা?" মিগুএলনা লক্নরকই। রুবেন্দু মমায়দু ঙান্থোক্লকই, মমিৎ অনীদু তুক্কচবা মিৎয়েং য়েংলম্বদগী অশাউবা ওল্লকই :

- "অদুদি য়েংনবা তারে, কনানা হান্না কোঙ্গোল কাবা তোর্ব্বান য়ৌরক্কে হায়বদু।" রুবেন্না শীংনরক্লে।

- "অদুসু নঙনা করিগুম্বা থোইরবা" রুবেন্না পোন্থা পীরে, "ঐ ৱাশক্লিবসিনি, ঐ ফ্লোরা খক কোয়-খ্ররোই, অদুগা করিগুম্বা ঐনা থোইরবা, ইবুংঙো, নঙগী নুংশি শৈরোলদু কদায়দনো অমা শক্লুবা তাবনি।

- "করি খন্দুনা হায়রিনো নঙগীদুবু?" মিগুএলনা মরৈ লোল্লপ হায়রকই, "তুমিন লৈয়ু করি খনবদগীনো?"

- "শার্পিজ পূম্বা!" রুবেন্দু লাউরকই, মখূৎ থাঙ্গৎতুনা, "ঐনা চেলেঞ্জ তৌরেকো।"

- "অদো মিগুএলদি ফিভম তাদ্রি, হৌজিক"। স্কোলারনা হায়রকই, "ফ্লোরাগীদমক ঈরাক্লবদা চরূ মনা থমফাও লাল্লরোইদ্রা?"

- "হেরা, নখোয় পঙহায় হায়গনু" মিগুএল শাউরকই, "ঐ য়ারে, চৎসি সমুদ্র মপান্দা হৌজিকমক।"

- "নখোয়বু ঙাওরব্রা?" ফ্রান্সিস্কোনা মরক থৎলকই, "ঐ সমুদ্র মপান্দা কূম্বা তল্লিকো, অসুক ঈংখ্রবা মতমসিদা। অতোপ্পা মওং অমা খন্নৌ।"

- "মানসু য়ারদি, চৎসি ঐখোয়!" রুবেন্না ৱা শমজিল্লকই।

- "শার্পি অমনা চেলেঞ্জ তৌরক্লদি, শার্পি অতৈৱা ঙাঙফম থোক্ত্রে, মখা তারনু।" মেলানেসনা ৱা তেনশিল্লকই, "চৎসি সমুদ্র মপান্দা। আ য়ৌরগা ঈশিং কূম্সু য়াদ্রবা, মখোয়নীদু ঐখোয়না ওইনা সমুদ্রদা লংথরমসি।

- "মখোয়নীমক নিশা পাল্লে, " স্কোলারদুনা কন্না হায়রে, "অদুনা মখোয়নীগী শীংনবা অসি চৎনবা য়ারোইদা।"

- "তুমিন্না লৈয়ু, স্কোলার!" মিগুএলনা লাউরকই, "ঐ অঙাং নৎত্রে, হৌজিক, ঐ ইতোমতা ৱারেপ লৌবা ঙল্লে, নঙগী দরকার লৈতে।"

- "ফরেনে," স্কোলারসু মরেংবান শুপকৎতুনা মখা তারকই, "নঙনা থোকপা তৌরো।"

মখোয় লোইনা থোক্লক্লে। হোটেলদুগী মপান্দু ইচিক চিকই, ৱাউথাংনবা অতিয়ানা মখোয়বু ঙাইদুনা লৈরম্লি। মিগুএল শ্বর শাংনা হোন্থে, মহাক মশা খরা য়াংলে। মাঙদনা ফ্রান্সিস্কো, মেলানেস, অদুগা রুবেন চৎলি। তুংদনা মিগুএল অমদি স্কোলার চৎলি। গ্রাউ এভেন্যু য়ৌরকপদা ফুট পাথ মথক্তা মী য়াম্না চৎনরম্লি। মখোয়দু অয়াম্বনা মীনাই নুপীশিংনি, ফি ফজবা শেৎনৈ, মখোয়গী ছুটি মতমনি। উৎ মচু মানবা, শম শাংনা খাকপা নুপাশিংসু চৎলি। মখোয় উবদা কল্লক্লা য়েংনরকই, লৈশাবীশিংদুদি নোক্লকই, সনা মচু মানবা ময়াশিংদু উৎতুনা। শার্পিশিংদু মখোয়দুদা হন্না য়েংলমদে। খোঙকাপ লাওনা লাওনা থাংদুনা চৎনরি। মথমোয়শিংদু ইরাং লাংনরকই। অদুনা স্কোলারনা ৱা ঙাঙবা হৌরকই :

- "নখোয় অনীমক নশা খরা কন্নরেকো?"

- "হোয়," মিগুএলনা হান্না খুল্লকই, "নুংশিৎ য়ৈবসিদা ঐদি নুংঙাইরে।"

(মথং-মথং)

**ইংরাজিদা : মেরি ঈ এলসৱর্থ**

**মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা**

**(পেরুগী ৱারীমচা)**

# রাগ দরবারী-৫

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

মফম অসিদা ফল্লগা কনাগুম্বা অমনা মায়কৈ মরিমক্তা কোয়না য়েংলগদি খঙবা ঙমগনি, মহাক হৌখ্রবা মতম ইতিহাসকী কাচিন অমদা লেপ্তুনা লৈ। ঙসি ফাওবদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ফাউনটেনপেন অমা ফাওবা শেমদ্রি, মসিগী লম্বীদা পুন্না চাওখৎপা হায়ববু কলম উগীদি নত্রে। হৌজিক ফাওবদা মফম অসিগী টেলিফোন ফাওবা লৈত্রি। নোংমৈশিংদসু থাইনগী অরিবা রাইফল খরখক্তনি, লৈরিবা নোংমৈশিং অসিসু থাইনা অহানবা ওইনা নোংমৈ শাবা হৌরকপা মতমদা শারকপা ওইরমগনি। অদুবুদি, লানমীশিংগী ইচম চম্বা খুৎলাই ওইনা শিজিন্ননবগীদমক ৱাগী চৈ ওইরম্মী হায়নৈ। মদুগী মতাংদা অইবা অমনা তাকপিরম্মী মদুদি পাৎ-তুরেল লান্থোক-লানশিল তৌবদা অমদি হূইদা চোংশিন দুনা ফুবদা য়াম্না কান্নখি হায়না। ঙসি ফাওবদা মফম অসিগী ওইনা জিপকা হায়বদুদি ওইথোক্ত্রি। মদুগী থবক তৌনবগীদমক থোঙ ঙাকপা অনী-অহুম্না য়াম্না নুংশিনা মখাদা থমজবা শগোল কৌবা গাড়ী অমা লৈরম্মী, মদু থাইনগী নিংথৌ শেরশাহগী মতমদা শীজিন্নরমগদবা মাল্লি। পুলিস ষ্টেসন হেক চঙলকপদা মীশীংনা শোয়দনা খল্লমগনি কনাগুম্বা অমনা চাওরাক্লা চহী চাম্মরোমগী মমাংদা হুন্দোক্লম্বনি হায়না।

করিগুম্বা মহাক্লা অমেরিকাগী সেক্রেট এজেন্টকী নোবেল পারল্লবদি থৱায় য়াওনা য়েংবা পামগনি মদুদি খুৎকী মমি য়েংনবা মিংশেল, কেমরা, ৱায়রলেস হাপ্পা গাড়িশিং পুম্নমক কদায়দা লৈবগে হায়না? অদুবু মথক্তা পনখ্রিবা পোৎশকশিং অদু নত্তনা মফম অদুদা অফবা পোৎশক অমত্তা লৈবা উদে। মফম অদুদা ফি তঞ্জায়মুক্তা শেৎপা শঙ্গোমদা গঞ্জা য়াল্লদুনা থীৎতুনা লৈবা মী অমা উই। অদুবু ঙাইহাক লৈরগা খঙবা ঙম্মী, মদুদি মহাক মথন্তনা খুঙ্গং ২০ ঙাক শেন্নবগী দ্যূটিগী ওইনা লৈরিবনি হায়বা। মহাক্লা লৈরিবা মফম অদুদগী অদুমক খুঙ্গ ২০ দা থোকপা ক্রাইমশিং থিংবা ঙম্মী, ক্রাইম থোকখ্রবা মতুং কমাইনা থোকখ্রিবনো থিজিনবা ঙম্মী অমসুং ক্রাইম থোক্তগানা মহাক্লা ক্রাইম থোকহনবসু ঙম্মী। কেমরা, মিংশেল, হুই, ৱায়ারলেস মহাক্কীদমক ওইনা কান্নদবা খুৎলাইনি মদু মথৌ তাদে। অসুম্না মফম অদুগী পুলিসকী য়াম্না চীং-লেম্বা অমদি হৌখ্রবা মতমদুগী ৱারীশিংগী ওইনা য়াম্না চাওথোক্লিংঙাই হায়বদু ওইরিবনি। ওইরিবা ফীবম অদুনা হৌখ্রবা মতমগী রোমান্টিক্কী মরমদা ইবা অইবশিংবু অমুক্কা হেন্না নীংশিংহল্লি, মখোয়শিং অদুবু মফম অসিদা মতম খরা ফাদুনা লৈহনবগী য়াম্না ফজরবা মফম চারবা মফম অমনি। মফমদুগী মীয়ামশিংনা কনষ্টেবল অমদি পুলিসশিংদা য়াম্না চাওরবা থাজবা কয়া থম্মী। খুঙ্গং চনী মখায়-চহুমগী পুলিস ষ্টেসন অদুগী মনুংদা কিলোমিটর ৮ গী মনুংদা কনাগুম্বা অমনা য়ুম নত্রগা মফম অমদা লৈবাক খোৎতোক্তুনা শুরুং তৌদুনা পোৎ হূরানগে তৌরবসু শোয়দনা মখোয়না উখিদুনা ফাগনি হায়না থাজনৈ। কিলোমিটর ১২ গী মনুংদা করিগুম্বা হূরান চীন্থি তৌগে হোৎনরল্লবসু, মীয়াম্না থাজে মদুদি হূরানবশিং অদু য়ৌদ্রিঙৈদা মখোয়না হান্না মফম অদুদা য়ৌবা ঙমগনি । মদুগী থাজবা অদুনা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অদুদা নোংমৈ অমা-অনীখক নত্তনা অতোপ্পা খুৎলাই অমত্তা পীদবনি। খুৎলাই পীবদা মখোয়না কি মদুদি খুঙ্গং অদুদা লৈরিবা ৱাখল তাদবা অমদি খৎন-চৈনবা পাম্বা মীওইশিংনা নোংমৈ অদুবু শিজিন্নবা হৈখ্রগনি, মদুনা মখোয়শিংগী মরক্তা হাৎনা শুনরক্কনি, মদুনা খুঙ্গং অদুদা ঈগী তুরেল চেল্লকপা য়াই। মফম অদুগী দাকুশিংদগী ঙাকথোক্লবগী ৱাফমগী ওইনদি মফম অদুগী কনষ্টেবল অমদি লৈরিবা মীওই ১০-১৩ শিংগী হৈশিংলবা মিত্রং চেল্লবা থৌনাশিং অদুনা অকিবা অমত্তা লৈহন্দে।

মখোয়গী মিত্রং চেল্লবা মতিক ময়াইশিংগী চাউরবা মায়পাকপা অসি মী হাৎপগী কেসশিংদনা হেল্লি হায়না থাজনৈ। মরমদি মীয়াম্না খল্লি মদুদি লৈরিবা খুঙ্গং চাহুমদা লৈরিবা মীশিংগী মরক্তা কনা-কনা নুংশিনদে, কনানা কনাগী য়েক্লবনো, কনাদা হিংনা চাবা ঙম্বগী থৌনা লৈ। পূম্নমক মখোয়দা ইনফোর্মেসন লোয়না লৈ; অমসুং মাংজৌননা মী অমনা মী অমবু হাৎপা ঙমদনবা থৌরাং তৌগনি, অদুগা করিগুম্বা কনাগুম্বা অমনা মী হাৎলবদি মফম অদুদা নুংশিৎকী মাং থানা চত্তুনা ফাগনি, ঈ তৈরবা উফুলশিং অদু লৈবাক্কী চফু মচা অমদা হাপচিনগনি অমসুং মীহাৎ অদু করম্না হাৎখিবনো উহৌবা মীশিংনা থৌনা-লৌশিং পীবিগনি, মদুনা মখোয়না ৱায়েনশঙ অমদা হেক্তা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদু মহাভারতকী সঞ্জয়গী মতৌগুম মীৎনা উবা অশেংবা পাউদম অদু তম্বা ঙমনবা। শম্না হায়রবদা, কনষ্টেবল অমদি মখোয়গী পুলিসশিং অদু মফম অদুগী ওইনা তাইবং মীওইবা নত্তে, মখোয় আলাদীনগী থাউমৈদগী থোক্লকপা চাওরবা তৌনিংবদা তৌবা ঙম্বা হিংচাবগুম্বনি হায়না খন্নৈ। মখোয়শিংবু অসুম্না থমলম্লগা অঙ্গ্রেজশিংনা ১৯৪৭তা মশাগী মরমদমদা হনখি মদুগী মতুংদা তপ্পা-তপ্পা অরোনবশিং অদু খঙনরকই মদুদি মখোয়শিং অদু চাওরবা হিংচাবা নত্তে, মখোয় তাইবং মীওইবা ঙাক্তনি, মখোয়শিং অদু শুপ্পগী মশাদা য়াওরিবা হিংচাবগী থৌনা অদু লৌথোক্লবগী পান্দমদা অহিং-নুংথিল নাইদনা মশা-মশাগী আলাদীনগী থাউমৈ অদু তক্তুনা লৈরি।

শিবপালগঞ্জগী জুৱার শান্নবশিংগী য়ুনিয়নগী মেনেজিং দিরেক্টর চৎখ্রবা মতুং কনষ্টেবল অদুনা মকোক থাঙ্গৎলক্তুনা মায়কৈ মরিমক কোয়না য়েংলকই। মায়কৈ খুদিং ইংনা চিক্লা লৈরম্মী। মঙ্গে পাম্বীগী মখোংদা শঙ্গোমদা গাঞ্জা য়ান্দুনা থিৎলম্বা লংগোৎ শেৎপা কনষ্টেবল অদুনা মহাক্কী মনাক নক্লা লৈরিবা মহাদেবগী শিবলিঙ্গ মথক্তা গাঞ্জা য়াওরবা শঙ্গোম অদু হৈরদুনা লাই খুরম্লম্মী, শগোল লৈফম মনাক্তা চৌকিদার অমা য়া শেংদুনা লৈরম্মী, জেল মনুংদা লৈরিবা হুরানবা অমসু মখোন হৌনা-হৌনা হনুমান চালিশা পাদুনা লৈরম্মী, থোঙনাউ অমগী মপান্দা দ্যুটি তৌবা কনষ্টেবল অমা- শুংশোয় শোয়দনা নুমিদাংগী দ্যুটি তৌনবগীদমক-উখোং অমগী মতেং লৌরদুনা ঙাথরগা তুমদুনা লৈরম্মী। ...(মথং-মথং)

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।